থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ৱারৌই! ঐ পোলিটিসিয়নশিংবু ৱারৌই!



ইন্দষ্ট্রি হায়বা ৱাহৈসিগী চপ চাবা ৱাহন 'মীতৈলোন'দ লৈত্রি। ঐখোয়নদি শেমদ্রি, শেম্নবসু হোৎনদ্রি। অরিবা লোল'দদি থিরবসু ফংলরোই, অরীবা মতমদুদা ইন্দষ্ট্রি লৈরমদে। কোন্না লাকপা কন্সেপ্টনি, অনৌবা ৱাহৈ শেমগদবনি। খূৎশা-হৈবা (ইঞ্জিনীয়রিং)গী লাই 'লাইনিংথৌ পিশাতাউ' পুথোক্লকপগুম, খূৎশা হৈবগী পোত্থোক পুথোকপগী থবক্তুগী মমিংসু অমা পুথোকপা ফবনি। থবক শূফমদুবুদি 'শিনশঙ' হায়না খঙনরে। ৱাহৈ অদু লৈরম্লগসু পাউদমজরিবা ঐনা খঙজদবনা 'ইন্দষ্ট্রি' হায়না অদুম শীজিন্নজরে।

ৱারৌবীনু। নুংশিজবা 'ঈরোল'সিগী অৱাৎপা/অশোনবা পুথোকচনীংলুবা নত্তে। ঙসিগী অমদি তুংলমচৎকী পূন্সি অদুদা শোত্থনা অদুম লৈরগদবা, লৈঙাকপা অমত্তনা খোয়জঙদবা হীরম অমা ওইরিবা মণিপুরগী 'ইন্দষ্ট্রি'গী মরমদা পাউদম অমত্তং তম্নীংলুবনি থম্মোয়সিনা। ৱাহৈ অসিগী মহুৎ ঈরোলসিদা অমত্তং লৈরম্লবা, মদু শীজিন্নগে খঞ্জরুবনি। লৈতবনা, লৈরম্ল'সু খঙদবনা 'ইন্দষ্ট্রি' হায়বা ইংরাজি ৱাহৈ অসি অদুম শীজিন্নজরে।

পূম্নমক্না খঙলে ঙসিদি- মশাগী নেচরেল রিছোর্স মরাঙ কায়দুনসু ইন্দিয়া'না মালেমগী চাউখৎ লমজেলদা মমাঙ থানা চেন'ঙমদ্রিবা, মনীং থংনা চেল্লিবা-কানফম থোত্তবা খোঙথাং 'ইন্দষ্ট্রিয়েলাইজেসন' হায়বদু কান্দুনা চৎখিবননি। নীংতম্বা হেক ফংলব'তুং হরাও মথোয় কা, চাওখৎ থৌরাং কয়া য়াৎলকপা, অতোনববু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবগী মিংদা ভোৎ-বেঙ্ক শেমগৎপরোমদা মায় ওনশিল্লকপা উবদা মমিং লৈরবা ইন্দিয়ন ইঞ্জিনীয়র 'দাক্টর বিশ্বেশ্বরৈয়া'না নেহরু'দ হায়খি... 'ইন্দষ্ট্রিয়েলাইজ! ওর গেৎ পেরিস্দ' (ইন্দষ্ট্রিয়েলাইজ তৌ! নৎত্রবদি মুৎলনি)। অদুবু নেহরুনা তাখিদে। নেহরু'তা নত্তে, লৈঙাকপা অমত্তনা তাখিদে। মীরমদা শাবা পোৎ লৈরগা শীজিন্নবদা হৈনহনখি। মেদ ইন য়ু এস এ, মেদ ইন জর্মনি-পোৎ অমগী অফ-ফত্ত লেপ্পফম সিম্বোল ওইরকখি। মেদ ইন ইন্দিয়া-হন্থবা থাক্কী শক্তাক্লফম।

অসুম্না, নীংতম্বা ফংলবা মতুং চহী হুম্ফুমাপল হৌখ্রবা মতুংসিদসু 'ইন্দিয়া' চাওখৎলক্লিবা লৈপাক অমা ওইনা লৈজরগা পেন্থোক্লি। ইন্দিয়ান নীংতম্লবা মতুং চহী তরানিপান লৈরগা নীংতম্লকখিবা, 'ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট'মুক্তং চাউবা লৈবাক 'সিঙ্গাপোর', চাওখৎপগী লমজেলদা ইন্দিয়াদগী চহী কুনমঙা মাঙজিল থানা চৎখরে। 'রাজিব গান্ধী'গী মতমদা অর্কিটেক ওফ মোদর্ন সিঙ্গাপোরনি হায়নরিবা 'লী কুৱান য়িউ', ইন্দিয়াদা কৌদুনা লমদম অসিবু চাউখৎপগী লমজেলদা য়াওবা ঙম্নবা লম্বী অমা পুথোকপদা তেংবাংবীনবা হায়জখি। 'লী কুৱান য়িউ' না হায়খি- দিল্লি, বোম্বে, কলকত্তা'না ইন্দিয়া চাওখৎহনগদবা নত্তে, লমজেলসিদা ইন্দিয়াবু মাঙদা ইনখৎলক্কদবদি পাক চাউরবা খুঙ্গংশিংসিননি। নুমিৎ কয়ানি খুঙ্গং কয়া চৎতুনা য়েংখি। ভিলেজ এদমিনিষ্ট্রেসনগী রেকোর্দ লৌখি। অরোয়বদা হায়রমখি- ইন্দিয়া ইজ জষ্ট অনমেনেজেবল (ইন্দিয়া হায়বসি শেম্বদা থোক্লরোই)। অদুগী মতুংদদি মালেম পূম্বনা থবাক য়ৈনরবা শেঞ্জা-থুমজা (করপসন)গী ৱাথোক কয়ানা, গভর্ণমেন্ট অমগী মথংদা অমা, কোকঙমদ্রবা মচু শঙলকখিবা।

শেম্বা থোক্লরোইদবা লৈপাক্লি খন্দুনা পোলিটিসিয়ন ময়াম্না শেৎ শেত্তুনা চানরম্বদু চা য়োন্দুনা হিংনবৈ লম্বী থিরম্বা লৈঙাকপা অমা থোক্লক্তুনা, ২০২২ ফাওবগী মনুংদা লৈপাকসিবু 'চাওখৎলবা লৈপাক' হায়বদু ওইহনগনি লাউথোরকই। মহাক্না 'প্রধান মন্ত্রি' নৎতবা 'প্রধান সেবক' (মরুওইবা থৌগল্লোয়) ওইখিঙৈদগী, অচৌ-অশাং চেন্নবা লুপা ক্রোর লাখ কয়াগী, অৱাংবা থাক্কী করপসন স্কাম দল অমা ফাওবা থোকখিদ্রে। মহাক্না হায়... 'কানবা য়াদবা, কানফম থোক্তবা ইন্দষ্ট্রিয়েলাইজেসনগী তাঙ্কক ঐখোয়না কান্দুনা লাকখ্রবনিনা, মাঙদা তারিবা 'ইনফোর্মেসন এজগী টেক্নোলোজি' অসিগী লৌফম থোকপা খুদোংচাবা অদুদি লৌগদবনি...'। 'মেদ ইন ইন্দিয়া' ব্রান্দ-মীয়াম্না রিজেক্ট তৌরম্বদু 'মীয়ামগী ফেবোরাইট' ওইহনগনি ৱাশকখি। মালেম শীন্না খুন্দাদুনা লৈখ্রবা ইন্দিয়নশিং কোয়না চৎতুনা উন্নখি, 'মেক ইন ইন্দিয়া কেম্প্যেন' তৌখি। ইকোনোমিষ্টশিংনা হায়, মহাক্কী 'মেক ইন ইন্দিয়া প্লান' অসি মায় পাক্লগনি হায়বগী খুদম, ইন্দিয়াদা ইহান হানবা ওইনা 'ফোরেন দাইরেক ইনভেষ্টমেন্ট'কী শেনফমনা 'করেন্ট একাউন্ট দিফিসিট'কী শেনফমদগী হেনবা হায়বদু ২০১৬ তা থেংনরে। 'করেন্ট একাউন্ট দিফিসিট' হায়বদি লৈপাক অমনা মীরৈবাক্তুগী লৈবা পোৎকী ভেল্যু অদুনা মশাগী পোৎ মীরৈবাক্তা থাদোকপগী ভেল্যু অদুদগী হেনবা তানফম অদুবুনি। মীরৈবাক্কী ইনভেষ্টরনা লমদম অমদা শেল থাদবা হায়বসি শেন্দোং ফংদবা থবক্তা কনানসু তৌনদে। এফ দি আইগী শেনফম হেনগৎলকপা হায়বসি, ফোরেন ইনভেষ্টর অদুনা লমদমসিদা পুথোকপা পোৎ অদুগী মার্কেট ভেল্যুদা য়াজরে হায়বনি। মমাঙগী চহীদসু এফ দি আই খ্বাইদগী য়াম্বা লৈপাক ইন্দিয়ানা চিনাগী মথক্তা লৈখি। চৎলিবা চহীসিগী অহানবা ক্বার্টর (থা অহুম)গী ফোরেন দাইরেক ইনভেষ্টমেন্ট দোল্লার বিল্লিয়ন ১০.৫৫ ওইখি। খ্বাইদগী য়াম্বা শেনফম থাদরকখিবা লৈবাকশিংদি অমেরিকা, সিঙ্গাপোর, মৌরিসিয়স, জাপান অমদি নেদরলেন্দ'নি।

থম্মোয় পাউদম ওইনা ৱাফমসিগা মরী লৈননা তমজনীংবদি- য়াম্লবা ফোরেন ইনভেষ্টমেন্টকী শেনফমসিদগী শরুক কয়া মণিপুরদা থাদহনবা ঙমদৌরিবগে লমদমসিগী লৈঙাকপশিংনা- হায়বা ৱাহং অসিনি। ইন্দষ্ট্রি হায়বদু করিনো খঙজদ্রিবা মীয়ামনি। নিরগা ফংলকপা শেনফমদু চাথোকচবা নৎতনা ইনভেষ্টমেন্ট করিনো খঙজদ্রিবা পোলিটিসিয়ননি। দাক্টর বিশ্বেশ্বরৈয়ানা অদুঙৈ হায়খিবদু নীংশিংলি... 'কাউবীগনু ইচিন-ইনাও পূম্নমক! হৌজিক মালেমদা হিদান্নগদৌরিবসি হৈ-শিংবা (স্কিল্ড) অমদি মপাঙ্গল কনবা (ইকনমিকেল্লি ষ্ট্রোং) অনীসিগী মরক্তনি... অনীসি ওইবা ঙমদ্রবা কান্নদবা লৈপাক্লি...'।

ৱাহৈসি নীংশিংলুবদনি ঐনা ঐগী লৈঙাক লুচিংবশিংবু খম থেংনা ৱারৌরিবা।

লৌশিং পুক্কে

# বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলগী অঙকপা



এটলান্টিক ওসীনদা ময়ামি, বহামাস অমসুং বর্মুদা আইলেন্দগী মরক্তা লৈবা বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলগী মরমদা পাউখুম পীবা ঙমদবা ৱাহং কয়ামরুম লৈরি। স্কৱার কিলোমিটর ৫০০,০০০ পাক-চাউবা মফম অসিদা এয়রক্রাফ্ট, জহাজ অমসুং য়োট কয়া মাঙখিবদগী অমুক হন্না থিবা ফংখিদ্রে। এটলান্টিক ওসীনগী মফম অসিদা মফম খঙদনা মাঙখিবা এয়রক্রাফ্ট ৭৫ হেন্না অমুক হন্না থিবা ফংখিদ্রে।

জহাজ চা কয়াসু মফম অসি লান্থোক্লবা হোৎনরুবদা য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা মাঙখি। হৌখিবা চহী ১০০ রোমগী মনুংদা মফম অসিগী অকোবদা থোকখিবা থৌদোকশিংদা মীওই ১,০০০ হেন্না শিখ্রে।

এটলান্টিক সমুদ্রগী ঈরোলনুংদা অচৌবা এম্পায়র অমা লূপখিবগী ৱাফমদগী হৌরগা য়ুনিভর্সকী মপান্দগী অতোপ্পা প্লানেট অমনা মতীক ময়াই শীজিন্নরকপগী ৱাফম্লচিংবা বর্মুদাগী মরমদা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপা লৈখ্রে। অদুবু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রিবনা হীরম অসিগী মতাংদা অঙকপা অমদি অদুম্মক লৈরি।

হন্দক্তা সাইন্টিষ্ট কাঙবু অমনা কূপ্পা থিজিল্লবা মতুংদা হায়খি, বর্মুদাগী অঙৈং-অশা (ৱেদর কন্দিশন) না মরম ওইরগা মমায় তরুক অমসুং এঙ্গল তরুক পানবা লৈচিল শেমগৎলকপদগী ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা জহাজ অমসুং এরোপ্লেন কয়া মফম অসিদা মাঙখি।

সাইন্টিষ্টশিংগী ৱারোল পল্লদুনা "দেলি মেল"গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, কা হেন্না ঈংবা অমসুং কা-হেন্না শাবা ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভমনা মরম ওইরগা মমায় তরুক পানবা অমসুং এঙ্গল তরুক য়াওবা লৈচিল শেমগৎলকপদগী ঙক্ল-ঙক্লবা থৌদোক কয়া থোরকপনি। হায়রিবা লৈচিল অদুনা পূৎদা মাইল ১৭০ য়াঙনা শীৎপা "এয়র বোম" শেমগৎলকপদগী জহাজ অমসুং এরোপ্লেন কয়া ইরায় লায়না চিংথবা ঙক্লিবনি। অদুবু বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলগী মরমদা অসিগুম্বা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপা থোইদোক্না অনৌবা নত্তে। মমাঙদসু অসিগুম্বা মখলগী ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। অদুবু হায়রিবা ৱাফমশিং অদুগী মতাংদা চপ চাবা খুদম পুথোকপদি ঙমখিদে। মতৌ অসুম্না হৌখিবা চহী ১০০ রোমগী মনুংদা বর্মুদাগী অকোয়বদা থোকখিবা থৌদোকশিংদা মীওই ১,০০০ রোম শিবা লৈখ্রে।

অৱাং লোমদা ময়ামি, নোংপোকলোমদা ফ্লোরিদা অমসুং খারোমদা প্বের্টো রিকোগী সেন জুৱান ফাওবা শন্দোক্লিবা বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলদা ঙক্ল-ঙক্লবা থৌদোক কয়া থোকপা লৈখ্রে।

অহানবা ওইনা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংদা অঙকপা থৌদোক অমা থোকখি। কুমজা ১৯৪৫ দা শোক্লখিবা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও লোইশিল্লকপদা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী বোম্মর প্লেন মঙানা শাবা স্কৱাদ্রোন অমা বর্মুদাদা মফম খঙদনা মাঙখি। "ফ্লাইট ১৯" হায়না খঙনবা স্কৱাদ্রোনগী প্লেন মঙা অদু অকায়বা মচেৎ ফাবা থিবা ফংখিদে। ফাইটর প্লেনশিং অদুদা তোংখিবা ক্রু ১৪ সু অমুক হন্না থিবা খঙখিদ্রে। অমুক্তা হেন্না ঙক্লিংঙাই ওইবা থৌওং অমদা প্লেন মঙা অদুগী খোঙ্গুল লীবা চৎখিবা মীওই ১৩ তোংবা হি অমসু মফম খঙদনা মাঙখিরম্মী।

মতুং তারকপা চহী মরিগী মনুংদসু বর্মুদাদা প্লেন অমদি জহাজ কয়া মফম খঙদনা মাঙখিরম্মী। কুমজা ১৯৬০ গী পরিংদা তোঙান-তোঙানবা মেগজিন কয়ানা বর্মুদা, ময়ামি অমসুং প্বের্টো রিকোগী মরক্তা লৈবা ঈশিংগী শরুক অসিদা থোকখিবা অঙকপা থৌদোকশিংগী মরমদা আর্টিকল কয়া ফোঙ-লকপদগী মীয়াম্না তপ্পা-তপ্পা বর্মুদাগী মরমদা খঙনরকখি।

চার্ল্স বর্লিজনা ইবা "দ বর্মুদা ট্রাইএঙ্গল" হায়না মিংথোনবা লাইরিক্তা অতোপ্পা প্লানেটতগী পাইরকপা "য়ু এফ ও" শিংনা বর্মুদাদা অঙকপা থৌদোকশিং থোকহনবনি হায়না ফোঙলকপদগী মীয়াম্না ৱাফম অসিদা নৌনা অমুক থাজবা থম্নরকখি। মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্না পাম্নবা ওইখিবা লাইরিক অদু অতেনবা মতমগী মনুংদা কোপী মিলিয়ন ৩০ হেন্না য়োনবা ঙমখি।

মতৌ অসুম্না বর্মুদাগী মরমদা অঙকপা থৌদোক কয়া থোকখ্রবসু রিপোর্ট অমনা হায়খি, নোর্থ এটলান্টিক ওসীনগী মী চিনবা ঈশিং লম্বী ওইবনা বর্মুদা অমদি মসিগী অকোয়বদা তোয়না এক্সিদেন্ট থোকপা হৌনশানি। মালেমগী অতৈ অতোপ্পা সমুদ্র অমদি ঈশিং লম্বী খুদিংমকসু বর্মুদাগা চপ মান্নবা মওংদা খুদোংথিনিংঙাই ওই হায়রি। কুমজা ১৯৭৫ দা মেগজিন অমগী এদিটরনা ইংলেন্দগী লোইদ ইন্স্যুরেন্স কম্পনিগী দেটা নৈনবদা মালেমগী অতৈ অতোপ্পা মফমদসু চপ মান্নবা মওংদা এরোপ্লেন অমদি জহাজ মাঙবগী থৌদোক থোকই হায়বা খঙলকখি। মীয়াম্না বর্মুদাদা থোকপা থৌদোকশিং খক্তবু ৱারীনবা মরম্না মফম অসি খক্তদা জহাজ মাঙবা অমদি প্লেন মাঙবগী থৌদোক থোকপা মানবনি হায়রি।

বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলদা হুরান-চিন্থি তৌবা মীওই (পাইরেট) য়াম্না লৈবা মরম্না মায়কৈ শোয়না লাকপা জহাজশিংদা লূট তৌবগী থৌদোক তোয়না থোকখি। তশেংবদি হুরান-চিন্থিগী থৌদোক তোয়না থোকপা মরম্না বর্মুদা ট্রাইএঙ্গলবু মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্না কিনবনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। বর্মুদাদা উ পাম্বী য়াম্না হৌই অদুবু অতৈ মহৌশাগী ওইবা পোত্থোক মরাং কায়না ফংদে। মফম অসিদা লৈবা পাইরেটশিংনা খুদোংচাবা তাঞ্জা য়েংলগা অরাকপা জহাজশিং লূট তৌনবা হোৎনৈ। মরম অসিদগী মীয়াম্না বর্মুদা ট্রাইএঙ্গল ফাওরগা চৎপা কিনৈ।

মহারানি ভিক্টোরিয়াগী মতমদা লম কোয়বশিংগী মরু ওইবা লমথুংফম ওইরম্বা বর্মুদাদা ইনাক কৈরাক খুনবা বৃটিশ অমদি এংলো-অমেরিকাশিংনা নিংথম থাগী মতমদা লম কোয়বা হেক-হেক লাক্লরম্মী।

পুম্নমক অসি ওইনসু ঙসি ফাওবা বর্মুদাদা থোকখিবা ঙক্ল-ঙক্লবা থৌদোকশিংগী মতাংদা লংলা-লংজিন অমত্তা পুথোকপা ঙমখিদ্রি।

